ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ইরৈচাশিংগীদমক কথোক্লবা ঈ হায়বগী মখাদা ঈ কৎপা থৌরমগী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম মনিং লৈকায়দগী খোইরোম রোমেন অমসুং কোন্থৌজম মেনাওবীগী অহানবা মচানুপা ললৈবগী ৪শুবা মপোক নুমিৎতা ঈ কৎখিবা

লৌশিং পূক্কে : অরান খুভম ফংবা-এনলাইটনমেন্ট ! ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ইঞ্জিনিয়রিংনা শেমদোক্লবা কাণ্ড লাবশিংগা হক্তিন্নরুরবা ...

'নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূখৎকদবনি' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বদু ষ্টেটহুদ অন্দলোনদুনা ...

লুপা ক্রোর ১গী মনা পীগনি লাউথোকখিবা জায়ারাম ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ রেসনা পি টি সী সী অদুগা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈনা...

জিরিবামদগী অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩বু ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীনা হাৎলগা তুরেলদা থাদরকপদা চেন্নবা টেররিষ্টশিংবু ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়দুনা উরিপোক্তা চঙশিল্লকখিবা খূম্খাং চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিং





Vol. 48, Issue No. 287 | য়ুমশকৈশা, ৱাক্চিংগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, January 22, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদবা নুমিৎ ৫৮নি শুরে

# মহাক্কী খোঙ্গুল লীবীয়ু হায়জরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিশনগী মখা তাবা ৱায়েল ঙসি হায় কোর্টতা চথরগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

নবেম্বর ২৫, ২০২৪গী অয়ূক্তা মহৌশাগুম্না লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা মথৌ পাঙথোক্লনবা চঙখ্রবা মতুং নুমিৎতুগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী পাউ ফাওনবা ঙমখিদবদগী ঙসি ফাওবদা মফম খঙলক্ত্রিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুর খুলদগী লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) কী খোঙ্গুল লীবীয়ু হায়দুনা মহাক্কা পোকমিন্নবা মনাওনুপা লাইশ্রম ব্রজবাঙ্গিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিশনগী মখা তাবা ৱায়েল হয়েং হায় কোর্টতা চথরগনি।



মফম খঙদ্রিবা লাইশ্রম কমলবাবু

লাইশ্রম কমলবাবু মফম খঙখিদবা নুমিৎকী থংনবা নবেম্বর ২৬, ২০২৪দা মহাক্কী মনাওনুপা অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) ২০ ওফ ২০২৪ ফাইল তৌরকখিবনি। ক্রিমিনেল পিটিশন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, দি জি পি, ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী, কম্মিস্নর (হোম), এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেকমাই পি এসকী ও সীগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিশন অসি ফাইল তৌরকপগা পন্থদনা নবেম্বর ২৭তা চীফ জষ্টিশ দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিশ গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুইগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগা রেস্পোন্দেন্টশিং অসিদা কমলবাবু মফম খঙহনখিদবা থৌদোক্কা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং নুমিৎ নীনিগী মনুংদা পীখৎলক্ন বা কোর্টনা দিরেক্সন পীখিবনি। অদুগা পিটিশন অসি নবেম্বর ২৯, ২০২৪দা অমুক হন্না লৌখৎতুনা খন্নরকপদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী মহাকপু ফংনবা থিবগী থবক কন্না চথুরি হায়রকপগা লোয়নন থৌদোক অসিগী মতাংদা অহানবদা সেকমাই পি এসনা জিরো এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রবসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেশননা কেস এফ আই আর নম্বর ৮০ (১১) ২০২৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### মেছিন্নরিশিং শীজিন্নদুনা লৈঙোই কোৎপদা থিংবীনবা লৈত্রবরা

# সেংমাই তুরেল : মপু পান্দ্রে তুরেল অসিগী ঈশিং পুমনৈ নৈহনবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে

গ্যানন্দ নাওরেম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

ককচীং, কৈরক, ৱাবগাই অমদি লাংমৈদোংদা থক্ল-চানবা ঈশিং পীরক্লিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিংগী ঈশিং লৌফম ওইরিবা 'সেংমাই তুরেল' মপু পান্দ্রে। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (নম্বর ২৫ ওফ ২০১৭) গী ৱায়েলগী মতুংইন্না মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা চীংলৈবাক অমদি নূঙ-লৈঙোই কোৎপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা লৈরক্লিবনি। কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা অতোপ্পা পি আই এল (নম্বর ৫ ওফ ২০১৯) গী ৱায়েলদনা নূঙ-লৈঙোই কোৎপা য়াওনা তুরেলশিংগী ঈশিং মোৎহনবা য়াবা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়নসু অথিংবা থম্লক্লিবনি। অদুবু মীওই খরনা লোগী ৱাংমদা অচৌ-অচৌবা মেছিন্নরি (প্রোক্লেন অমদি জে সী বি) শিং শীজিন্নদুনা তুরেল খোংনুংদগী লৈঙোই কোৎনবা হোৎনবদা তুরেল অসিগী ঈশিং পুমনৈ নৈনা লৈনাং তাহনবদগী ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং



খক্তা নত্তনা তুরেল অসিগী মপান্দা তারিবা মীয়ামদসু ঈশিং শীজিন্নবা য়াহন্দবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লম্লে।

তুরেল অসিগী তোর্ব্বান্দা তারিবা ককচীংদগী মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা সেংমাই তুরেলগী ঈশিং অসি খম থেংনা মোৎপনা শীজিন্নবা য়াদ্রে, লৈনাং ওইনা চেন্থরক্লে অদুবু ফীভম অসি য়েংশিনবীনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াজরোই : এন সী টি এল

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোকপগুম্না থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নোংমাইখোং মখা লৈকায়দা লৈবা নুপী চাওখৎ থৌরাং লূপ (এন সী টি এল) অমসুং নোংমাইখোং য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএশন (এন ৱাই দি এ) না শরুক য়াজরোই হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ডাক্তরগী গেটতা বোম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়দা লৈবা ডা. লাইশ্রম সচিন্দ্রগী য়ূমগী গেট মনাক্তা বোম য়াওবা খাও অমা লৈরম্লে হায়রি। পাউ অসি তাবদগী শীংজমৈ পুলিস লাক্তুনা বোম অদু পোকখায়হন্দনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

### অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙগী অহাঙবা পোষ্ট ৬২ লৌনবা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টগী রিটন এজগামিনেশন লোইখ্রবসু চহী মঙা হেন্না রিজল্ট হায়দোক্তনা নমশিল্লকপদগী কেন্দিদেটশিংগী মরক্তা থবক তৌবা য়াবগী চহী হেনবা য়াওরকপা অমদি হিংনবগী লানফমদা ককঙাওনবা য়াওরকপদগী অথুবা মতমদা রিক্রুটমেন্ট অসিগী রিজল্ট হায়দোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কেন্দিদেটশিংগী এসোসিএশনগী মায়কৈদগী এম দি অজমন খাননা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লাউথোকখ্রে।

# এসেমব্লি ১সুং লৈঙাক লৈতবগুম তৌরিবা ফীভমসিদা ষ্টেটহুদ দেদা 'ভাষন' পীবগী মতম নৎত্রে : বিমোল

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** লমদম অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মখাদা ষ্টেট অমা ওইরবসু হৌজিক এসেমব্লি অমসুং লৈঙাক লৈতবগুম তৌরিবা ফীভমসিদদি ষ্টেটহুদ দেগী থৌরমদা নুংঙাইফম থোকপা



অদুগী মহুত্তা নুংনাংবা পোক্লক্নবগী মরম ওইরে অমসুং কন্সটিট্যুশনগী মখাদা ষ্টেট অমা ওইবগী লৈফম থোকপা মতিক-ময়াইশিং লৈনা লৈনা লৈরক্ত্রবদা নুমিৎ অসিগী

থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। লোয়নন লৈবাক অসিগী কাং খোং চাইরিবা ফীভমসিদা ষ্টেটহুদ দেদা ভাষন পীবগী মতম নৎত্রে হায়না এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুরগী ষ্টেটহুদ দে থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না মীদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোলদা মখা তানা হায়, ষ্টেটহুদ দে হায়দুনা ঐখোয়না থৌরম পাঙথোক্লিবা নুমিৎসিদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা অমসুং লমদমসিগী মীচম অমা ওইনসু য়াইফ পাউজেল পীবা য়াবা নুমিৎনি অদুবু ঙসিদি নুংঙাই-য়াইফবা পাউজেল, হরাওবা ফোঙদোকপগী মহুত্তা নুংনাংবা ফাওরে। ষ্টেট অমা ওই হায়বগী হরাওবা ঙল্লক্তবা, নুংনাংবা পোক্লকপগী মরম অসি ইরমদম নুংশিজবা কয়াদসু শোয়দনা ফাওরমগনি। কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা মণিপুর ইন্দিয়াগী ১৯শুবা ষ্টেট ওইদুনা ষ্টেটহুদ ফংখিবগী মমাঙদা লৈজরম্বা মণিপুরগী পুৱারীগী তাঙ্ককশিং হনগৎনা নীংশিংলদুনা মহাক্না হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ষ্টেটহুদ দে : থিএটরগী শক্নাইবা রতন থিয়ামদা

# লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ কুমজা ১৯৭২গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী মনুংদা মপূং ফাবা ষ্টেট (ষ্টেটহুদ) ফংখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা অহানবা মণিপুর

**অপূনবা মণিপুর, অপূনবা ইন্দিয়া অমগীদমক কখোকপগা লোয়নন থবক তৌমিন্নসি : সী এম**



রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা ষ্টেটহুদ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মহা কুম্ভ মেলা : গভর্ণর ১সুং চীফ মিনিষ্টর শরুক য়ারনবা হায়জরক্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

উত্তর প্রদেশকী প্রায়াগ্রজদা চথরক্লিবা মহা কুম্ভ মেলাদা শরুক য়াবীরনবা ষ্টেট অদুগী জল শক্তিগী ষ্টেট মিনিষ্টর দিনেশ খাটিকনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ওফিশল ওইনা অইবা চেবাউ পীরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহা কুম্ভ মেলা অসি চহী ১২ খুদিংগী অচৌবা কলচরেল হেরিটেজ অমসুং লাইনীংগা মরী লৈননা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা ফোঙদোক্লদুনা চেবাউ অসি য়ু পিগী মিনিষ্টর অসিনা ঙরাং পীরবনি হায়রি।

### ৱারোইশিন পুরক্লবা সেন্টর ১সুং ষ্টেটনা হোৎনবা ৱাৎলে : এক্স এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএশন

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** চীংমৈরোংগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিএটতা লৈরিবা মণিপুর এক্স-এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী জেনরেল বোদি মীটিং অমা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখিবগা লোয়নন মীফম অসিনা ৱারেপ অনী লৌখ্রে।

অহানবা ৱারেপ্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ১১ অমসুং সেক্রেটরি ওইরম্বা আর কে মোধুস্নানা থা অসিগী ৩দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা লৈখিদ্রবা এক্স এম এল এশিং অদুনা চান্দম মনিহার (১৯-০১-২০২৩), ঈবিরমনি (১৮-০২-২০২৩), আর ভি মিংথিং (২৯-০৩-২০২৩), চুংখোকাই দোঙেল (১৭-০৮-২০২৩), কে তোম্বা (১৭-০৮-২০২৩), কোন্থৌজম সরত (০৩-০৯-২০২৩), টি মঙ্গিবাবু (০১-১০-২০২৩), দাইসিন পানমৈ (২৪-১০-২০২৩), এন বিহারি (০৯-০১-২০২৪), থাংমিলেন কিপগেন (১১-১২-২০২৪) অমসুং টি ঐচ দেবেন্দ্র (৩১-১২-২০২৪) নি। লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মীফম অদুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নখি অদুগা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। অদুগা অনীশুবা রেজল্যুশনদনা থা ২০ হেন্না চথরক্লিবা শাংলবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্না লৌগদবা থৌদাংশিং য়াম্না ৱাৎলে হায়না এসোসিএশন অসিগী মেম্বরশিংনা লৌবগা লোয়নন সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না মণিপুরদা পন্থদনা মপূং ফাবা মহৌশাগী ফীভম পুরক্লবা আপীলসু তৌখি।

# বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক্না চাওখৎ থৌরাংদা চীং ১সুং তম খায়দোক্তে : বিরেন

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্না চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা চীং অমসুং তম হায়দুনা খায়দোক্তে অমসুং মণিপুরবু অমত্তা ওইনা চাওখৎহন্নবা হোৎনরক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তাঙ্খুল আজে কটমনাওলোং (সাউদর্ন তাঙ্খুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন) না শীন্দুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী রিহা খুলদা পাঙথোকখিবা ৩৩শুবা জেনরেল কনফরেন্স কম স্পোর্টস মীটতা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মফম অদুগী ফজবা অমসুং খুঞ্জাশিংনা অকোইবগী মহৌশাগী ফীভম য়োকখৎতুনা থম্লম্বা উবদা চীফ মিনিষ্টরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অমনা অমদা ইকায়খুম্নদুনা লাক্লি। মসিমক্না ফূরূপ মশেলবু অমত্তা ওইহন্নবগী লিপুন হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি। হৌখিবা চহী তরেৎতা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎখিবা মরু ওইবা থবকশিং নৌহৌননা পল্লদুনা মহাক্না হায়, কামজোংদা মিনি সেক্রেটরিএট অমা শাগৎতুনা মপূং ফানা লোইশিল্লে অমসুং মসি অথুবা মতমদা শঙ্গানবা হোৎনরি। অদুগা অভা (ইমা মার্কেট) অমসুং এক্লব্য মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলসু অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি হায়খি।

লোয়ননা কামজোং অমসুং কসোম খুল্লেনদা স্কুল বিল্ডিংশিং শাগৎপগা লোয়ননা কামজোংগী হয়র সেকেন্দরি স্কুল অনী অপগ্রেদ তৌরগনি হায়খি। অদুগা স্কুল ফংগৎহনসি মিশনগী মখাদা কামজোং অমসুং কসোম খুল্লেনদা শাগৎলক্লিবা স্কুল অনীসু লোইশিল্লক্কদৌরে হায়রদুনা কসোম খুল্লেনদা দাইট সেন্টর অমা শাবগী থবকসু চথরে অদুগা নম্বাসি অমসুং রামফোইদা ৩৩/১১ কে ভি সব ষ্টেশনশিংসু শারগনি হায়খি।

# গভর্ণরনা 'নিক-শে' অমসুং টিবি কন্ট্রোল প্রোগ্রাম রিভিয়ু তৌখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক শিনবা থুংনা নুমিৎ ১০০নি চূপ্পা চথগদবগী মনুং চন্না পাঙথোকপা হৌরকখ্রবা 'নিক-শে' অমসুং টিবি কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী থবক থৌরমশিংবু গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি রাজ ভবনদা রিভিয়ু তৌখ্রে।

গভর্ণরনা রিভিয়ু তৌখিবদা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জন, কম্মিস্নর (হেল্থ) সুমন্ত, এন ঐচ এম মণিপুরগী ষ্টেট মিশন দিরেক্টর ডা. এম দিনেশ, এন টি ঈ পি মণিপুরগী ষ্টেট ট্যুবরক্যুলোসিস ওফিসর ডা. হেমলতা থোকচোমনচিংবা ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি। হেল্থ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী গভর্ণরদা হৌজিক ষ্টেট অসিদা চথরক্লিবা প্রধান মন্ত্রি টিবি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী থবক থৌরমশিং পাউদমখি।

### চৈরাক পীবদা মতেং পাংবীয়ু : কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ :**

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি) এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খৈঙানবনা থোরকপা চেরোল অমদা মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাইদা অমুক্ত থোক্ত্রিবা, তুক্কৎচনীংঙাই ওইরবা, খুন্নাই অসিবু মরিং-মরাংহনবা য়াবা থৌদোক অমা ওইনা লৈশাংথেম কোবা অপোকপগী মিং এল ইবোবী, লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা মীওইসিনা মাগা হেক পোকমিন্নবা মনাওনুপাগী লোয়নবী মনাওনুপী থোকপা অমগা মোবাইল ফোনদা ফি থোংদনা ভিদিও কোল তৌবদা নত্তনা অরোনবা মরী লৈনরম্বা অমসুং মীওই অসিগী হেক ময়াম্বগী ...মখা লমায় ৫ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মৈনীং কূপ্লিবী ইমৌনুপীগা নুমিৎ ১৮নি খক্তা ঙাইরিবা ইশুগা পুরগা থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লকখিবনি : গঙ্গা

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরকখিবা তমথীরবা লাননা মরম ওইদুনা লান হৌরকখিবা নুমিৎ অসিগী থংনবা নুমিৎ মে ৪দা অঙাং উনবা নুমিৎ ১৮নি খক্তা ঙাইদুনা মৈনিং কূপ্লিবী মমৌনুপী অমসুং পীল্লিবা মশু পুদুনা লাঞ্জেন্নরকখিবী কাংচুপ চীংখোঙদগী নিংথৌজম ওংবী গঙ্গা (৫৫) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ইশু অপীকপদু পোবোই-কৈবোই তৌরগা কোইচেন চেল্লকখিবনি। মতম খরা ইমৌদু মীগী য়ূমদা থৈদোক্তুনা থমখি।

ঐসু থৌদোক অদুদগী পাখৎখিবগা লোয়নন হার্টসু শোনবনিনা মীহুল য়াম্না কন্না চোংখি। নোংঙাল্লগসু নোংমৈ কাপ্লবা শুংলেপ লেপখিদে। মরম অসিনা মীগী ইমুং অমদা অমুক চেনশিন, অমগীদা অমুক চেনশিন তৌদুনা মতম খরা য়াম্না ৱানা কোইচেন চেন্দুনা লৈখি। খরা শাফগদ্রা হায়দুনা য়ূমদা অমুক চেনশিনবসু য়াওখি। অদুবু নোংমৈ কাপ্লদুনা ঈরাং কনশিল্লকপনা য়ূমদগী অমুক চেন্থোরক্লগা মীগী ময়ূমদা তোয়না লৈশিল্লকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

মতমদুদদি কাংচুপ চীংখোঙলোমদা রিলিফ কেম্প অমত্তসু হাংদ্রিবনিনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা ঐখোয় লৈফম লৈতবগী মায়োক্লখিবা অৱাবা অদুদি হায়দুনা কান্নদে। মীগী য়ূমদা চাবা-থকপা অমসুং চঙজফম লৌবা অদু কুইশিল্লক্লবদি মীদুনা করিসু হায়রক্ত্রবসু ঐখোয়দা ইকায়বা ফাওরকখি। মরম অসিনা মীগী য়ূমদা কুইনা লৈনীংখিদে। অদুবু য়াম্না ৱানা কোইচেন চেন্দুনা লৈরম্লবা মতুং ফয়েং হায় স্কুলদা রিলিফ কেম্প হাংলকপদগী মফম অসিদা লাক্তুনা লৈরখিবনি।

রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবদগীদি চাবা-থকপগীদি খরা শাফখি। ইমৌশিংসু হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা পূন্না লৈমিন্নরি। অদুবু ইচানুপা অনীদি খুল ঙাকপা য়াওদুনা য়ূম শঙহৌগনি হায়দুনা লৈহৌবনিনা নুমিদাং ওইরকপা ঙাইঙমদে। মখোয়দা করি থোক্লক্কদগে খনবদা ৱাখল অসি পোথাবা ঙমদে। য়াম্না তোয়নসু নোংমৈ কাপশিল্লকই অমসুং য়ূম মৈ থাবনচিংবা তৌরকপনিনা পূক্লিং-ৱাখল লৈতানা লৈবদি ঙমদ্রে হায়রকখি।

পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইত্রবনিনা তূম্বসু য়াদে। লৈহৌরিবা য়ূমগী অমসুং ইচাশিংগী খল্লুবদা শুংতূম তূমদনা নোংঙানবা য়াওখি। হৌজিক্তি হুন্দোক্লম্লবা ইশাগী য়ূম অদু য়েংনীংলবসু পাম্বে লৈত্রে। (মথং-মথং)

### রিপব্লিক দে নত্তে, কোলোনিএলিষ্ট রেপ্লিকেট দেনি

# ইন্দিয়াগী মরম চাদবা রিপব্লিক দে বোইকোট তৌরে : কোরকোম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ :** মহৌশাগুম্না থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিনা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখিবগী থৌরম অসি রিপব্লিক দে নত্তে, কোলোনিএলিষ্ট রেপ্লিকেট দেনি হায়না লালহৌলূপশিংগী অপূনলূপ কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মরম চাদবা রিপব্লিক দে বোইকোট তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জন্যুৱারী ২৬তা ইন্দিয়ানা রিপব্লিক দেনি হায়জদুনা পাঙথোক্তৌরিবা থৌরম অসি মণিপুর (কংলৈপাক) দদি লোইচন মকোক বৃটিশকী লৈঙাকলোনদগী শেমজিন শাজিল্লগা হেন্না তমথীরবা য়াচন ওইনা মখা অদুমক শমথহৌবা 'কোলোনিএলিষ্ট রেপ্লিকেট দে' থৌরমনি হায়না লৌই। মণিপুর (কংলৈপাক) কী মীয়াম্বু মীখা পোলহন্দুনা ইরৈবাক থুগাইনবা শরৌ শিল্লিবা ইন্দিয়াগী থৌরমশিংদা শরুক য়াফম থোক্তে হায়রি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোননা ওপোজিশন, মীদিয়া, সোশল এক্টিভিষ্টশিংবু ৱায়েল লান্না শীজিন্নদুনা তাথী-তাওইনা

**'ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোননা ওপোজিশন, মীদিয়া, সোশল এক্টিভিষ্টশিংবু ৱায়েল লান্না শীজিন্নদুনা তাথী-তাওইনা (লিগেল হরাসমেন্ট) তৌবা ঙমহল্লি। গভর্ণমেন্টকী অশোয়ববু য়ানীংদে হায়রুবদা লৈবাক থুগাইবনি হায়না মরাল পীবা ঙল্লিবা ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্টনি'**

(লিগেল হরাসমেন্ট) তৌবা ঙমহল্লি। গভর্ণমেন্টকী অশোয়ববু য়ানীংদে হায়রুবদা লৈবাক থুগাইবনি হায়না মরাল পীবা ঙল্লিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনি।

...মখা লমায় ২ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫